# সাউথ অফ্রিকা টুর ঃ ইন্দিয়ানা মখা তানা মায় পাক্না চঙশিল্লি, স্কোটলেন্দবু ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে



ষ্টেল্লেনবোচ, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ

ইন্দিয়ন ৱিমেন'স হোকি টিমনা সাউথ অফ্রিকাদা টুর তৌরিবা অসিদা মায় পাক্না চঙশিনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা স্কোটলেন্দগী নেসনেল টিমবু ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৩৭ চৎপা মতমদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নরদা রানিনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। রানিনা অথুবা মতমদা গোল অমা অমুক চনশিন্দুনা ২-০ দা লৈখ্রবা মতুং মেচকী মিনিট ৪৫ চৎপা মতমদা দীপিকানা ফিল্ড গোল অমগা চনশিনখি। ইন্দিয়াগী মরিশুবা গোল অদু মণিপুরগী অনুরধা দেবী থোকচোম্না মেচকী মিনিট ৫৪ চৎপা মতমদা চনশিনখি। মেচ লোইগদবা কুইরক্ত্রবা পুংজাদা ফংখিবা পেনালটি কোর্নরদা গুরজিট কৌরনা ইন্দিয়াগী মঙাশুবা গোল অদু চনশিনখিদুনা স্কোটলেন্দবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

মেচকী অহৌবদা ইন্দিয়ানা স্কোটলেন্দগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল চন্নবা চঙশিনখ্রবসু স্কোটলেন্দনা অকনবা মওংদা থিংখি।

স্কোটলেন্দগী নুপীমচাশিংনা অনীশুবা ক্বার্টরদা নীংথিনা শান্নদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা গোল চন্নবা তকখৎলকখ্রবসু ইন্দিয়ানা মখোয়গী এটেক অদুবু অথিংবা পীদুনা গোল চন্নবগী আশা মাঙহনখি।

টিম অনীমক্না ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। অদুবু মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতদি ইন্দিয়ানা মমাঙদা শান্নরম্বদগী হেন্না টেম্পো লৈনা শান্নরক্তুনা গোল মথং মথং চনশিন্দুনা পূন্না গোল ৫ চনবা ঙমখি। স্কোটলেন্দনা অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অন্দর-২১ ৱিমেনস হোকি টিমনা শিংথাবা য়াবা পাফোর্মেন্স উৎতুনা মখোয়গী অফ্রিকান নেসনদা টুর তৌরিবা অসিগী মনুং চন্না শান্নখিবা মেচ অনীদা সাউথ অফ্রিকাবু মায়থিবা পীখ্রে।

টুর অসিগী লৈবাকপোকপা নুমীৎতা শান্নখিবা মেচতা ইন্দিয়ানা যুম্ফু সাউথ অফ্রিকাবু ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। টুর অসিগী যুমশকৈশা নুমীৎতা শান্নখিবা মখোয়গী অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু ৮-০ দা মায়থিবা পীখি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী ৱিমেন'স হোকি টিমগী প্লেয়র গুরজিট কৌর অমসুং দিপগ্রেসনা মিনিট অনীখক কান্নরগা চনখিবা গোল অমমমনা মফম অসিদা চথরিবা লৈবাক অনীগী অনীশুবা মেচতা সাউথ অফ্রিকাগা গোল ২-২ দা দ্রো চৎখিবনি।

সাউথ অফ্রিকানা যুম্ফু ওইদুনা চথরিবা লৈবাক অনীগী মেচতা সাউথ অফ্রিকানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা এটেক তৌখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩ চৎপা মতমদা মরিজেন মরাইসনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখিবনি।

অহানবা ক্বার্টর অদু যূম্নুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখিবদগী গোল শোত্থরিবা ইন্দিয়ানা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদা চঙশিনখি। মখোয়না চঙশিনখিবা অকনবা শাফুদা অনীশুবা ক্বার্টরগী মিনিট ২৪ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ফংখি। পেনালটি কোর্নর অদু গুরজিটনা য়াম্না ফজনা কনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা গোল ১-১ দা চাং মান্নরা লৈখিবনি।

গুরজিটনা গোল চনখিবা মিনিট অনী হেক লৈবগা অতোপ্পা পেনালটি কোর্নর অমসু ইন্দিয়াগী ফেবরদা ফংখি। মদুদা ইন্দিয়াগী দিপগ্রেসনা মিনিট ২৭ চৎপদা অকনবা শাফুগা লোয়ননা সাউথ অফ্রিকাগী গোল পোষ্ট তম্না থোমজিনখিবা বোল অদুনা গোল ওন্থোকখিদুনা ভিজিটরনা ২-১ দা মাঙজিল থানা লৈখি। মেচ অসিগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা গোল অমদি ইক্বেলাইজ তৌগদবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা যুম্ফু সাউথ অফ্রিকানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা অকনবা মওংদা তকশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। মখোয়না তৌখিবা অকনবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৩৪ চৎপা মতমদা দিরকি চন্বর্ল্যেননা গোল অমা চনশিন্দুনা ২-২ দা চাং মান্ননা চৎখিবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী নুপী হোকি টিম্না সাউথ অফ্রিকাদা টুর তৌরিবা অসিগী শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইন্দিয়ানা যুম্ফু সাউথ অফ্রিকাবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

অনীশুবা হাফকী অহুমশুবা ক্বার্টরদা মমাঙদা শান্নখিবা প্লে অদুগা খেননা হেন্না এটেকিং তৌনা শান্নরকখি। অদুবু টিম অমত্তনা গোল চনবদি পাক হেক ঙম্নখিদে। ইন্দিয়ানা মখোয়গী লৈজবী থাদুনা যুম্ফু সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদা তকশিনখি। মখোয়গী প্রেসরদা সাউথ অফ্রিকাগী দিফেন্স লাইন্দা অহোবশিং লৈখি।

অহোবা লৈখিবা সাউথ অফ্রিকাগী দিফেন্স অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা ইন্দিয়ানা তৌখিবা অথুবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৫ চৎপা মতমদা পেনালটি কোর্নর অমা ইন্দিয়াগী ফেবরদা ফংখি।

পেনালটি কোর্নর অদু দিপিকানা অশোইবা অমত্তা য়াওদনা সাউথ অফ্রিকাগী গোল পোষ্ট তম্না য়ৈশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি। ইন্দিয়ানা অহেনবা গোল চন্ননবা অকনবা প্রেসরশিং পীদুনা যুম্ফুগী সাইদতা চঙখ্রবসু সাউথ অফ্রিকানা অকনবা মওংদা থিংবদগী গোল চনবগী আশা মাঙখি।

# ৱর্ল্ড টি-২০ গী মেচ ওফিসিএল লিষ্টতা ইন্দিয়াগী মীওই ৬ য়াওরে

দুবাই, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ

মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড টি ২০ দা মেচ ওফিসল ওইগদবা আই সি সিগী মীওই ৩১ না শাবা অরিংবা প্লেয়িং কন্ট্রোল টিম অমা শগোলশেন নুমীৎতা খনগৎখিবদা মেচ রেফ্রি জভাগাল শ্রীনাথ য়াওনা ইন্দিয়াগী মীওই তরুক য়াওখিবগা লোয়ননা অহানবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা নুপীশিংনা মেচ ওফিসলশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

অরিংবা প্লেয়িং কন্ট্রোল টিম অসিদা আই সি সি মেচ রেফ্রিগী ইমিরেটস এলিট পেনেলগী মীওই তরেৎ, আই সি সি অম্পায়রগী এলিট পেনেলগী মীওই ১২ দা নত্তনা আই সি সি অম্পায়রগী ইমিরেটস ইন্টর্নেসনল পেনেলগী মেম্বর ১০ অমদি আই সি সি এসোসিএট এন্দ এফিলিয়েট পেনেল ওফ ইন্টর্নেসনল অম্পায়রগী মেম্বর ২ সু য়াওরি হায়না আই সি সিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী হান্নগী ক্রিকেটর শ্রীনাথনা মার্চ ৮ দা নাগপুরদা টুর্নামেন্ট অসিগী ওপনর ওইনা জিম্বাবৱে অমদি হোং কোং অনীনা লম্বা তৌদুনা শান্নগদৌরিবা অসিদা রেফ্রি ওইগনি। মেচ অদুদা ফিল্ড অম্পায়র ওইগদৌরিবা অলিম দর অমদি ইয়ান গৌল্ড, টি ভি অম্পায়র মরাইস ইরাসমুস অমদি ফোর্থ অম্পায়র রিচার্ড ইল্লিংৱাথ য়াওবা প্লেয়িং কন্ট্রোল টিমবু শ্রীনাথনা লুচিংগনি।

মার্চ ৮ দগী এপ্রিল ৩ ফাওবা চথগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা নুপী অম্পায়র অনীসু য়াওরি। মখোয় অদুদি ন্যুজিলেন্দগী কাথলীন ক্রোস অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লাইর পোলোসাকনি। নুপী অম্পায়র অনী অসিনা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা আই সি সি ৱিমেন'স ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ ক্বালিফাইয়রদা মায় পাক্না অম্পায়রগী মথৌ পাঙথোকখ্রবনি।

মখোয় অনীবু আই সি সি ৱিমেনস ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ দা অম্পায়র ওইনা হাপখিবা অসি ক্রিকেট মশান্নবু মীয়াম পুন্নমক্কীনি হায়বা ৱাখল্লোন অদুদা যুম্ফম ওইদুনা অমদি মালেমগী নুপীশিংনা মশান্না অসিদা থোরক্তুনা হেন্না শরুক য়ারক্নবা লোয়ননা ওফিসল ওইনা মশক থোকপা থৌদাং লৌরক্নবগী পান্দমদা হাপখিবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মার্চ ১৬ তা চেন্নাইদা পাকিস্তান অমদি বংলাদেশকী টিমনা শান্নগদৌরিবা নুপীগী মেচতা ক্রোসকা লোয়ননা অনীল চৌধুরিনা অম্পায়রগী মথৌ পাঙথোক্তুনা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ দা অম্পায়র ওইবা মালেমগী অহানবা নুপী ওইরগনি। মদুগী নুমীৎ নীনি লৈরগা মার্চ ১৮ দা আইরলেন্দ অমদি ন্যুজিলেন্দনা মোহালিদা নুপীগী মেচ ওইনা শান্নগদৌরিবা অসিদা ক্লাইর পোলোসাকনা ভিনিট কুলকর্নিগা অম্পায়র ওইগনি।

কেথলীন ক্রোস অসি কুমজা ২০১৪ দা আই সি সি এসোসিএট এন্দ এফিলিয়েট পেনেল ওফ ইন্টর্নেসনল অম্পায়রদা য়াওহনখিবদগী আই সি সিগী অম্পায়র পেনেলদা য়াওবা মালেমগী অহানবা নুপী ওইখিবনি। মহাক্না কুমজা ২০০০, ২০০৯ অমদি ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা ৱিমেনস ৱর্ল্ড কপতা অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১১ দা পাঙথোকখিবা ৱিমেনস ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়র অমদি কুমজা ২০১৩ অমদি ২০১৫ গী আই সি সি ৱিমেনস ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ ক্বালিফাইয়রদসু শরুক য়াখি।

হৌখিবা চহী খরদা কেথিনা আই সি সি ৱর্ল্ড ক্রিকেট লীগ চেম্পিয়নশিপকী দিভিজন্স ৩ অমদি ৫ য়াওনা নুপীগী সেনিয়র ইভেন্টশিংদসু শরুক য়াখ্রে। ওষ্ট্রেলিয়াগী পোলোসাকনা হন্দক্তা লোইশিনখিবদা ঙাইখ্রিবা মটাদোর ৱান দে কপতা থার্দ অম্পায়র ওইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী লিষ্ট এদা ওফিয়েট ওইবা অহানবা নুপী ওইদুনা পুৱারী শেমখি। মসিদসু নত্তনা মহাক্না কুমজা ২০১৫ দা বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা আই সি সি ৱিমেনস ৱর্ল্ড টি ২০ ক্বালিফাইয়রদা শরুক য়াখিবা খ্বাইদগী নহা ওইবা ওফিসল ওইখি।

মেচ ওফিসলশিং অদুদি মেচ রেফ্রিদা দেভিদ বুন, ক্রিস ব্রোদ, জেফ ক্রো, রঞ্জন মাদুগালে, এন্দি পেক্রোফ্ট, রিচি রিচার্দসন অমদি জভাগাল শ্রীনাথনি। অম্পায়রদা অনীল চৌধুরি, জোন ক্লোটে, কেথি ক্রোস, অলীম দর, কুমার ধর্ম্মসেন, মারাইস ইরামুস, সিমোন ফ্রাই, ক্রিস গফেনি, মাইকেল গৌঘ, ইান গৌল্ড, রিচার্দ ইল্লিংৱর্থ , রিচার্দ কেট্টলবোরোঝ্ব, ভিনীট কুলকরনি, নিজেল ললোং, রানমোর মার্টিনেজ, সি কে নন্দন, ব্রুস ওক্সনফোর্দ, বুচিরা পাল্লিয়াগুরুগে, ক্লেইয় পোলোসাক, পাউল কৈফেল, চেট্টিটুদি শামশুদ্দিন, রভি সুন্দরাম, রোদ তক্কর অমদি জোইল ৱিলমননি।



# সেপ ব্লাটর অমসুং মাইকেল প্লাটিনি অনীগী মথক্তা থল্লম্বা চহী ৮ গী অথিংবা অদু চহী তরুক্তা হন্থখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ

মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সেপ ব্লাটর অমদি যু ঈ এফ এগী প্রসিদেন্ট মাইকেল প্লাটিনি অনীবু শেঙ্গা থুমজা তৌই হায়দুনা চহী ৮ গী অথিংবা থমখিবা অদু চহী তরুক্তা হন্থখ্রে হায়না ফিফাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফিফাগী মনীং তম্বা ইথিক্স কম্মিটিনা থিজিনখিবদা ব্লাটর অমদি প্লাটিনিবু শেঙ্গা থুমজাগী মরমদা অরানবা থৌওংশিং চত্থরে হায়বগী খুদম চাংদমশিং ফংখিবনি।

ব্লাটর অমদি প্লাটিনিনা মখোয়গী মথক্তা থল্লিবা চহী ৮ গী অথিংবা অদু হন্থবীনবা মরী লৈনবা অথোরিটিদা ৱাকৎতুনা লাকখিবনি।

পনবা য়াই, ফিফাগী প্রসিদেন্ট ব্লাটরনা প্লাটিনিদা স্বিস ফ্রেঙ্ক মিল্লিয়ন অনী (দোল্লর মিল্লিয়ন অনী) অরানবা মওংদা পীখি হায়বা চার্জদা ফিফানা থিজিন্দুনা লাকখিবনি। মবাইনিবু অহানবগী মতম খরা মখোয় মখোয়গী ফমদগী সস্পেন্দ তৌখ্রবা মতুং অরোইবদা চহী ৮ গী অথিংবা থমখিবনি।

ব্লেটর অমদি প্লাটিনিনা মখোয়না থল্লিবা অথিংবা অদু হন্দোকপীননবা আপিল তৌখি। মবাইনিগী আপিল অদুবু য়েংশিল্লবা মতুং মখোয় মখোয়না লৌরম্বা ফুটবোলগী থৌদাংশিং অদু খঙনা আপিল কম্মিটিনা ৱারেপ লৌদুনা চহী ৮ গী মহুৎ চহী ৬ তা হন্থবগী অয়াবা পীখি হায়না ফিফাগী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ব্লেটরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, মঙোন্দা অথিংবা থল্লকপা অদু য়াম্না থম্মোয় শোকপা থৌওং অমনি। ঐখোয়না করিগুম্বা অশোয়বা অমদি অরানবা অমত্তা ফিফাগীদমক তৌখিবা লৈতে। ঐগী মায়োক্তা লৌখৎলক্লিবা থবক থৌওংশিং অসি যূম্ফম য়াওদবা থৌওংনি। মরম অদুনা অথিংবা থম্বা অসিদগী হন্দোকপীনবা থবক লৌখৎপীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্লাটিনিনা হায়খি, হান্নগী ফিফাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সেপ ব্লাটরনা মঙোন্দা অরানবা মওংদা শেলফম অমত্তা পীরকখিবা লৈতে অমদি ঐনা লৌরুবসু লৈতে। ঐঙোন্দা শিরিবা ইরাল অসি যূম্ফম য়াওদবনি। ঐঙোন্দা থল্লিবা অথিংবা অসি লৌথোকপীদুনা হান্নগুম অথিংবা য়াওদনা থবক তৌহনবীরক্কনি হায়বগী থাজবা মহাক্না থমখি।

# পাকিস্তাননা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ দা শরুক য়ানবা গভর্ণমেন্টনা গ্রীন সিগনেল পীখ্রে

করাচি, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ

চয়োল অমমুক লৈতাদনা লৈরুরবা মতুংদা ইন্দিয়ানা যুম্ফু ওইদুনা মার্চ ৮ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি টি ২০ দা পাকিস্তানগী গভর্ণমেন্টনা মসিগী নেসনল টিমনা শরুক য়ানবা গ্রীন সিগনেল পীখ্রে।

মসিনা পাকিস্তাননা ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ দা শরুক য়াগদ্রা, য়ারোইদ্রা হায়বগী তংদাংবা অমা খঙদনা চয়োল অমরোম লৈরকখিবা অদু লোইশিনহনখ্রে। চৎলিবা থা অসিদা পাঙথোকখিবা আই সি সিগী মীফমদা ইন্দিয়াদা মখোয়না শান্নবদা কিহন খঙহনবশিং লৈবনা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা মখোয়গী টিমবু ইন্দিয়াদা চৎতুনা ৱর্ল্ড টি ২০ দা শরুক য়াহল্লদবা য়াই হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনখিবনি। পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দনা ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সীলদগী মসিগী টিম থানবগীদমক প্রেসর অমত্তা লৈতে অমদি টিম থাবা থাদবা হায়বসি গভর্ণমেন্টকী অয়াবদা লৈরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হৌজিক ওইরক্লিবা দিভলপমেন্ট অসিগী মতাংদা পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দকী চ্যেরমেন শাহর্য়ার খাননা হায়খি, ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা ঐখোয়গী টিমবু ইন্দিয়াদা চৎনবগী অয়াবা পীরকপসি ঐগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি। চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা ঐখোয়না আই সি সিদা পাকিস্তান ক্রিকেট টিমনা ইন্দিয়াদা লৈরিঙৈ মনুংদা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা হায়জখ্রে অমদি



আই সি সি ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০, ২০১৬ তা য়েংবা চৎকদবা পাকিস্তানি ফেনশিংগী ভিসাগী খুদোংচাবা অমদি অতৈ এরেঞ্জমেন্টশিং পীগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

অমরোমদা, পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা মসিগী নেসনল টিমবু ইন্দিয়াদা চৎতুনা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ দা শান্নহন্নবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংবু থাগৎলদুনা থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিগী মরীদা হেন্না চেৎশিলহল্লগনি হায়না ক্রিকেটপু পামজবা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না ফোঙদোকখি।

মালেমগী ওইবা ক্রিকেট মশান্নদা পাকিস্তাননা চাউরবা মফম অমা কন্দুনা লৈরিবনা আই সি সিগী টুর্নামেন্টদা লৈবাক অসিগী টিমনা শোয়দনা শরুক য়াহল্লক্কনি হায়বসি লৈবাক অদুগী মীয়াম্না থাজদুনা লাকখিবনি। মীয়ামগী থাজবা অদুমক পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা পীরে হায়রি।

হান্নগী পাকিস্তানগী কেপ্টেন মোহমদ সৌসুফনা হায়খি, আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ দা শরুক য়ানবগীদমক পাকিস্তাননা ইন্দিয়াদা চৎপা য়ারবনিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা ক্রিকেট সেরিজ পাঙথোকপসু য়ারগনি হায়বগী থাজবা লৈ। লৈবাক অনী অসিগী সেরিজ অথুবা মতমদা পাঙথোক্নবা শিনবা তঙাইফদ্রে হায়খি।

পাকিস্তানগী হান্নগী টেষ্ট কেপ্টেন রমিজ রাজানা হায়, পাকিস্তান অমদি ইন্দিয়া অনীগী লৈরিবা অরুবা ফীভমবু হৈশিংনা মায় পাকপগী খোঙথাং অমা লৌখৎলকপসিদা পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দ (পি সি বি) অমদি গভর্ণমেন্টপু থাগৎলি হায়খি।

# ভিরাট কোহলি, সানিয়া মিরজা, সাইনানা ফোর্বস এসিয়া লিষ্টকী ইন্দিয়ন ৫৬ কী মাঙজিল থানা লৈখ্রে







ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৬ ঃ

টেনিস ষ্টার সানিয়া মিরজা, ইন্দিয়াগী বেট্টিং মেছিন ভিরাট কোহালি অমসুং টোপ সিদেদ বেদমিন্টন প্লেয়র সাইনা নেহৱালনা এসিয়াগী চহী ৩০ গী মখাদা লৈবা ইনখৎলক্লিবা নহা ওইরবা লুচিংবা অমদি গেমবু মখুৎতা পুবা ঙম্বা ইন্দিয়ন ৫৬ কী ওইবা ফোর্বসকী এসিয়া লিষ্টকী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরে।

ফোর্বসকী ৩০ অন্দর ৩০ এসিয়া লিষ্টতা নহা ওইরিবা মশক থোক্লবা ইন্টপ্রেন্যুরস অমদি গেমবু মখুৎতা পুবা ঙম্বা মীওই ৩০০ য়াওরি। য়াওরিবা মীওইশিং অদু ইন্দিয়া, ইন্দোনেসিয়া, চিনা, হোং কোং, সিঙ্গাপুর, জপান, পাকিস্তান, ভিয়েটনাম অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগীনি। মখোয়না ইন্দষ্ট্রিদা মায় পাক্না মথৌ পাঙথোক্তুনা লৈবাক্কী কান্নবশিং পীবা ঙম্লবশিংনি।

লিষ্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মীওই ৫৬ য়াওরি। হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মমাঙ থানা মশাগী চহী ২৭ শুরবা কোহলি, মিরজা অমদি সাইনা নেহৱাল অমসুং মশাগী চহী ২৬ শুরবা এক্ট্রেস শরাধা কাপুরনা মাঙজিল থানা লৈরি।

হৌখিবা জন্যুৱারিদা ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা টি ২০ সেরজি লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়ন টিমগী লুচিংখিবা অমদি ইন্দিয়াগী ক্রিকেট কলচরগী বেট্টিংগী নিংথৌ কোহলিনা মকোক্তা লৈরি হায়না ফোর্বসনা ফোঙদোক্লি। কোহলিনা কুমজা ২০১৫ দা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী য়াম্বা শেনফম তানবশিংগী মনুংদা অমা ওইখি। মহাক্না দোল্লর মিলিয়ন ১১.৩ তানখি হায়না ফোর্বসনা হায়খি।

ফোর্বসনা হায়, মশাগী চহী ২৯ শুরবী মিরজানা কুমজা ২০০৩ দা মশাগী চহী ১৬ শুবদগী প্রোফেসনেল প্লেয়র ওনখি। মহাক অসি খ্বাইদগী মায় পাক্লবা ইন্দিয়াগী টেনিস প্লেয়রনি অমদি খ্বাইদগী শেনফম য়াম্না ফংবা অমসুং খ্বাইদগী প্রোফাইল ৱাংবা ইন্দিয়াগী এথলেটনি। মহাক্না হৌজিক মালেমগী নুপী টেনিসকী দবলস প্লেয়রগী মকোক্তা মার্টিনা হেঙ্গিসকা পুন্না লৈমিন্নরি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবী নেহৱাল অসি রোল মোদেল অমা ওইবদা নত্তনা ইন্দিয়ন বেদমিন্টনগী মহরানী ওইরিবীনি হায়বা ৱাফম ফোর্বসনা থল্লি।

# ঙসি ইন্দিয়ানা আর্ক রাইভেল পাকিস্তানগা এসিয়া কপকী মরিশুবা মেচ ওইনা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৭ ঃ

মালেমগী ক্রিকেটতা মীয়াম্না আর্ক রাইভেল হায়না খঙনরিবা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান অনীনা বংলাদেশনা যুম্ফু ওইদুনা মসিগী মিরপুরদা চত্থরিবা এসিয়া কপ ২০১৬ কী মরিশুবা মেচ ওইনা হয়েং লম্বা তৌদুনা থেংনরগনি।

মিরপুরগী শের-ঈ-বঙ্গলা নেসনেল ষ্টেদিয়মদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা কপ অসিগী হায় ভোলটেজ ওইরবা মেচ অসিগীদমক কন্টিনেন্ট অসিগী য়াম্লবা মীয়াম্না মীৎয়েং তাননবা ঙাইনদুনা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিমবু এম এস ধোনিনা লুচিংগনি অদুগা পাকিস্তানগী টিম্না সহিদ অফ্রিদিনা লুচিংগনি। চহী কয়া টিম অনীনা শান্নদনা লাকখ্রবা মতুং হয়েং শান্নগদৌরিবা মেচ অসিনা টিম অনীগী অহানবা মেচসু ওইরি।

ইন্দিয়ানা হন্দক্তা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি শ্রী লঙ্কাগা শান্নখিবা টি-২০ সেরিজদা মায় পাকখিবা অদুনা এসিয়া কপ অসিগী চেম্পিয়নসু ওইগনি হায়বগী চাউরবা থাজবা অমা লৈবগা লোয়ননা হয়েং শান্নগদৌরিবা মেচতা পাকিস্তানবু মায়থীবা পীনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

হয়েং নুমিদাং পুং ৭ তগী শান্নবা হৌগদৌরিবা মেচ অসিগীদমক ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী য়াম্লবা মীয়াম্না মেচ অসিবু য়েংননবা থৌরাং তৌনখ্রে।

এসিয়া কপ অসিদা পাকিস্তানগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নগদৌরিবা মেম্বর ১৫ গী স্কাদ অদুদি সহিদ অফ্রিদি (কেপ্তেন), মোহম্মদ হাফিজ, অনৱার অলি, ইফটিখর অহম্মেদ, খুরাম মঞ্জুর, ৱাহব রিয়াজ, সোইব মালিক, মোহম্মদ ইর্ফান, মোহম্মদ অমির, ইমাদ ৱাসিম, মোহম্মদ নৱাজ, সরফরাজ অহম্মেদ, উমর অকমল, মোহম্মদ সামি অমসুং শর্জিল খাননি।

হায়রিবা মেম্বরশিং অসিগী মনুংদা হয়েং শান্নগদবা পাকিস্তানগী প্রোবেবল এলেভেন্দা য়াওরিবা প্লেয়রশিংনা সরফরাজ অহম্মেদ (ৱিকেট কিপর), মোহম্মদ হাফিজ, সর্জিল খান, সোইঅব মালিক, সহিদ অফ্রিদি (কেপ্তেন), উমর অকমল, অনৱার আলি, ৱাহব রিয়াজ, মোহম্মদ আমির, মোহম্মদ ইরফান অমদি ইমাগ ৱাসিমনি।

টিম ইন্দিয়াগী মেম্বর ১৫ না শাবা টিম অদুনা এম এস ধোনি (কেপ্তেন), ভিরাট কোহলি, সিখর ধৱন, যুবরাজ সিংহ, হরদিক পান্দেয়া, জাসপ্রিট বুমরহা, রবিচন্দ্রন অশ্বৱিন, সুরেস রায়না, অজিঙ্কয়া রাহনে, রোহিট শর্ম্মা, হরবজন সিংহ, অশ্বিস নহেরা, রবিন্দ্র জাদেজা, ভুবনেশ্বর কুমার অমসুং পৱন নেগিনি।

ইন্দিয়াবু রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নগদৌরিবা প্রোবেবল এলেভেন্দা য়াওরিবা প্লেয়রশিং অদুদি সিখর ধৱন, রোহিট শর্ম্মা, ভিরাট কোহলি, সুরেস রায়না, যুবরাজ সিংহ, এম এস ধোনি (ৱিকেট কিপর অমদি কেপ্তেন), হর্দিক পান্দেয়া, রবিন্দ্র জাদেজা, আর অশ্বিন, অশ্বিস নেহরা অমদি জাসপ্রিট বুমরাহানি।

এসিয়া কপ অসিদা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তান্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নগদৌরিবা অসিগীদমক পাকিস্তানগী মীওই কয়া বংলাদেশতা থুংখ্রে। হয়েংগী নুংঙাইরবা মেচ অসিদা মখোয়না মীৎয়েং তাদুনা মরৈবাক্কী টিমগী পূক্নিং থৌগৎকনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী য়াম্লবা মীয়াম অমসু ঙসি বংলাদেশতা থুংখিবগা লোয়ননা হয়েংগী মেচ অসিদা শরুক য়াদুনা টিম ইন্দিয়াবু পূক্নিং থৌগৎকদৌরি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়ানা যুম্ফু ওইদুনা মার্চ ৮ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি-২০ দা পাকিস্তানগী টিম সিক্যুরিটিগী ফীভম য়েংলগা ইন্দিয়াদা লাক্তুনা শরুক য়ারদবা য়াই হায়না ঙাওনরম্বা অদু পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা গ্রিন সিগনেল পীদুনা পাকিস্তান টিম্না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

পাকিস্তান টিম্না ৱর্ল্ড টি-২০ দা শরুক য়ানবগী অয়াবা পাকিস্তান গভর্ণমেন্টনা পীখিবা অদুদা লৈবাক অনীগী মীয়াম্না হরাও তয়াম্না ওকখিবগা লোয়ননা মখা তানা টিম অনীনা ক্রিকেট সেরিজশিং শান্ননবা অথুবা মতমদা মাগী মাগী গভর্ণমেন্টনা লেপ্লক্কনি হায়বগী থাজবসু মীয়াম্না ফোঙদোক্লরক্লি।

